# লেমন গ্রাস, সিট্রেলাদগী থাউ মহি পুথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচ এন এস) :
সী এস আই আর নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি ঝোর্হাট, ব্রাঞ্চ লেব লম্ফেলপাৎকী মীৎয়েং মখাদা এম আই দি সী ইন্টরপ্রাইজেসনা লেমন গ্রাস অমদি সিট্রেলাদগী থাউ পুথোকখ্রে।

তাকয়েল ইন্দষ্ট্রিয়ল ইষ্টেট টাইপ সী-১৮ ইম্ফালদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা লিক্লেট দিয়োদ্রেন পুথোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা রিটয়ার্দ কম্মিস্নার ডা. আর কে নিমাইনা হায়খি, মণিপুরগী পোলিটিসিয়ন অমদি ব্যুরোক্রেটশিংনা ৱা ঙাংবদা ইন্টরনেসনলদা হান্না ঙাংই। ঐখোয়গী ওইবদা হান্না হোৎনবা মতুংদা মপান্দা য়োন্নবা হোৎনগদবনি। ইন্টরনেসনল মার্কেটতা চঙবা অরাইবা নত্তে। দোমেষ্টিকতা হান্না য়েংগদবনি। ঐখোয়গী মার্কেট য়াম্না পীকই। মণিপুর মচাশিং মপানদা লৈরবদি য়াম্না হৈথোই-শিংথোই। কম্পেনি অমা লিংবা হায়বসি শেল থাদগদৌরিবনি। মাঙদনবা হোৎনবা চঙই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা সী এস আই আর-এন ঈ আই এস টি ব্রাঞ্চ লেব লম্ফেলপাৎকী সিনিয়র প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট ডা. হুইদ্রোম বিরকুমারনা হায়খি, মণিপুরদা লেমন গ্রাস অনী লৈ। অমনা চাবা য়াই, অমনা চাবা য়াদে। সেট্রোলা হায়রিবা মনা অসি চাবা য়াদবা অমনি। মসিনা মনা খরা পীকই। মসিদি মনম নুংশিবা থাউ শুংনবগী কান্নবা অমনি। লেমন গ্রাসতা মনা খরা কুপ্পা চপ য়ুংনা হৌবা অসিনা চাবা য়াই। মণিপুরদা লেমন গ্রাস মখল অনী অসি থাবদা মাঙদে। মালেমগী ওইনা ফংলিবা থাউগী চাংদগী হায়রিবা লেমন গ্রাসতগী শুংবা থাউ অসি মণিপুরদা হৌবা লেমন গ্রাসনা থাউ চাং ৱাংনা ফংই। পোপী থাবগী মহুৎতা লেমন গ্রাস থাহন্নবা লৈঙাক্তা হায়বা লৈখ্রে। চীংগী লমদা সিট্রেলা অসি পক্লে। শেন্দোংসু য়াম্না ফংই। ঐখোয়গী প্রদক্ট মরাং কায়না পুথোকসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা মণিপুর ফুদ ইন্দষ্ট্রি কোর্পোরেসনগী এম দি পিটর সলামনা হায়খি, চীংগী লমদা হেক্তর ১৩০ রোমদা লেমন গ্রাস থানবা হোৎনরি। ক্লষ্টর য়ুনিট অমদা হেক্তর ১০ গী চাংদা থানবা পান্দম থল্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

এম এস এম ঈ টেক্নোলোজি সেন্টর নিলাকুথিগী প্রোজেক্ট কোওর্দিনেটর ডা. এস য়োইরেতোম্বনা ফোঙদোকখিবদা, কম্মর্সিয়ল স্কেলদা থারক্কদবা পাম্বী ওইবনা সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা থাবা তাই। পাম্বী মখলগী মতুংইন্না থাউ শুংগদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

## নুপী ১ মশাগী কাদা থৌরি য়ান্দুনা শিরক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচ এন এস):
সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সেকমাই বোটলিং প্লান্টগী মনাক্তা লৈবা কংলাতোংবী তেজ পরিদা লৈবী মৌ নহা অমা মশাগী কা মনুংদা থৌরি য়ান্দুনা শিরক্লে হায়রি।

ঙরাং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা শিদুনা লৈরম্বা নুপী অদুগী মমিংনা জহানা মঞ্জনা (২৪) অপুরোইবা রোহিৎ মঞ্জনা কোই। মহাক কংলাতোংবী তেজপরিগী বোটলিং প্লান্ট মনাক্তা লৈবনি হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, ঙরাং মতৌ-মনাও অনি খরা নিংঙাই শংদাইনবা অমদি লৈখি হায়রি। থৱাই য়াওদ্রবা হকচাং অদু ঙসি রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা পুরকখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা সেকমাই পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবগী থবক চখ্রি।

## মণিপুর পুলিসকী...

*লামায় ১গী মখা...* থৌদোক অসিগা মরী লৈনননা মোরিংনেং পি এসনা আই পি সীগী সেক্সন ১২০ বি/৩৭৯গী মখাদা এফ আই আর অমা লৌখৎখিবগা লোয়ননা মখা তানা থিজিনবগী থবক চখ্রে হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা ইষ্ট খাসি হিলস শিল্লোংগী এস পিনা মণিপুর পুলিসকী এ দি জি পি ইন্টলিজেন্সতসু অইবা চেরোল অমা থারক্তুনা খঙহনখ্রে। মণিপুর পুলিসকী মায়কৈদগীসু ফারবা ইন্সপেক্টর অসিগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা মীৎয়েং চঙলে হায়রি।

## GAS NEWS

**HRANGCHAL GAS, OLD LAMBULANE**
Booking Upto: 19/10/2019
Valid From: 18/10/2019
***Stk : 306***

**IMPHAL LPG SERVICE**
**19 Kg. Stk : 150**
**19 kg Commercial Available**
**5 kg Available**
Delivery at Heinoupok
Timing : 08.30am Onwards
(First Come First Serve)
Home Delivery Available

**K & K INDANE SERVICE**
Booking Upto: 14/10/2019
Valid From: 10/10/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.30 am to 11.00 am
(First Come First Serve)

**M.M. GAS SERVICE**
Booking Upto: 09/10/2019
Valid From: 07/10/2019
***Stk : 612 (DBTL Only)***
***5 & 19 Kg Available***
Timing: 07.00 am to 10.00 am
(First Come First Serve)

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
**Sl. No. : 6201 – 6600**
Booking Upto: 08/10/2019
Valid From: 07/10/2019
***Stk : 270***
***19 Kg Stk : 24***
Timing: 07.00 am to 11.00 am

**MANIPUR POLICE GAS**
Booking Upto: 15/10/2019
Valid From: 12/10/2019
Sl. No. From : 51
***Stk : 306 (CTC & DNSC)***
Timing: 10.00 am to 01.00 pm

**YAIRIPOK SERVICE**
Booking Upto: 07/10/2019
Valid From: 05/10/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.00 am to 10.00 am

**LOKTAK INDANE GRAM-IN VITRAK, THANGA**
Booking Upto: 31/10/2019
***Stk : 210***
Timing: 07.30 am to 11.00 am

# থাঙ্গাল কৈথেলদা বোম পোকখায়খিবগী কেসকা মরী লৈননা মীওই ২ ফারে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১(ঐচ এন এস):
থা অসিগী ৫গী অয়ুক্তা থাঙ্গাল কৈথেলদগী খোয়াথোং তাখিবা লম্বীগী ফুট পাথকা তাইননা লৈবা রাধা ষ্টোরগী ময়াদা মপাঙ্গল লৈরবা ইম্প্রোভাইস এক্সপ্লোসিভ দিভাইস (আই ঈ দি) অমা পোকখায়হন্দুনা পুলিস পর্সনেল ৫ অমসুং মীচম ১ শোকহনখিবা থৌদোক্তুগী মতাংদা সিটি পুলিস ষ্টেসনদা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা মীওই ২ ফাগৎখ্রে হায়রি।

পুলিসনা ফাগৎলে হায়রিবা মীওইশিং অদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তেন্থা তুৱাবন্দ লৈকাইগী নোংথোম্বম ইশোরচন্দ্র মৈতৈ এলিয়স নাওচা (২২), অপোকপা এন রাজেন্দ্রো মৈতৈ অমসুং লৈকাইসিদগী নোংথোম্বম নিংঙোল পাওনম ওংবী বহেন (২৮), মপুরোইবা পাওনম মনিকান্তনি হায়রি।

মখোয় অনী থা অসিগী ৮গী নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা খোয়াথোং ক্রোসিংগী পুলিস বুথ মনাক অমসুং থাঙ্গাল কৈথেলগী কষ্টুরি ক্রোসিংদগী নুংথিলগী পুং ১.৪৫ রোম তারকপদা মথৎ-মথৎ ফাগৎখিবনি হায়রি।

ফারবা মীওই অনীমক থা অসিগী ৯দা সিটি পুলিসকী মায়কৈদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দ্যুটি মেজিষ্ট্রেট ওইরিবা জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাস (জে এম এফ সী), ইম্ফাল ৱেষ্ট-টুগী কোর্টতা নুমীৎ ৭ নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখ্রে।

লোয়ননা কেস অসি ঙসি জে এম এফ সী, ইম্ফাল ৱেষ্ট-টুনা ওফিসল ওইনা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা কেস রেকোর্দ য়াওনা ট্রান্সমিট তৌরকখ্রে। মসিদা কোর্ট অসিনসু ফোর্মেল ওইনা রিসিভ তৌখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা সিটি পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বরনা- ৯৬ (১১) ২০১৯ অন্দর সেক্সন ১২১/১২১-এ/ ৩০৭/ ৩২৬/ ৪২৭/ ৩৪ আই পি সী, ২০/১৬ (১) (বি) য়ু এ (পি) এক্ট অমসুং ৩ এক্সপ্লোসিভ সবষ্টেন্সেস এক্টনি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ২গী নুমিদাংদা টেলিপটিদা আই ঈ দি অমা পোকখায়হনখিবা য়াওনা থাঙ্গাল কৈথেলগী থৌদোক অসিদা চেন্নবশিং মশক তাকপা ঙম্বা মীওইশিংদা লুপা লাখ ১গী শেলগী মনা পীগনি হায়না পুলিসনা থা অসিগী ৫দা লাউথোকখিবনি।

## শেঙ্গা থুমজা তৌবা ওফিসলশিংগী...

*লামায় ১গী মখা...* গ্রুপ এ ওফিসর ৯ গী মথক্তা পুখৎলকপা ৱাকৎ ইনভেষ্টিগেসন চথুরি। গ্রুপ বি অমদি গ্রুপ সীগী থাক্তা লৈবা ওফিসর ১,৮১৫ গী মথক্তা পুখৎলকপা ৱাকৎসু থিজিনবগী থবক চথুরি।

মিনিষ্ট্রি ওফ রেলৱেগী ওফিসর ১৪, মিনিষ্ট্রি ওফ কোলগী ওফিসর ১২, মিনিষ্ট্রি ওফ সিভিল এভিয়েসনগী ওফিসর ৬ অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ সিপ্পিংগী ওফিসর কয়ামরুমগী মথক্তা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা মরী লৈবা লোগী মতুংইন্না থবক্তগী নমদুনা পোথাহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে হায়রি।

রুল এফ আর ৫৬ (জে) গী মতুংইন্না চহী ৩০ থবক তৌরক্লবা মীওইশিং নৎত্রগা মশাগী চহী ৫০ শুরবা মীওইশিং শেঙ্গা-থুমজাদা চেন্নরম্বা তারবদি নমদুনা থবক্তগী পোথাহনবা য়াই। কনাগুম্বা ওফিসল অমনা অরানবা থৌওং চথুরক্লবদি থা ৩গী মমাঙদা নোটিশ থারগা নৎত্রগনা থা ৩গী তোলোপ মাঙজৌননা পীথোক্লগা থবক্তগী পোথাকহনবা ঙম্মী। থৌশিল অসিগী মখাদা সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ ইনদাইরেক্ট টেক্সেস এন্দ কষ্টমস (সী বি আই সী) না হন্দক্তা ওফিসর ৩৭ থবক্তগী পোথাহনখ্রে। নবেম্বর থাদা কম্মিটিগী মীফম অমুক পাঙথোক্তুনা অতৈ অতোপ্পা ওফিসর কয়াসু থবক্তগী পোথাহনবা য়ানা লৈরে হায়রি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈবা ওটোনোমস বোদি ৬০০ হেনবদা শেঙ্গা-থুমজা থিংনবগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিমক ঙাক্না চৎনবা য়াথং পীখ্রে। মিনিষ্ট্রি/দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্না ওটোনোমস বোদিশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা শেঙ্গা-থুমজা থিংনবগী মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎহল্লগনি হায়রি।

## য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অরবিন্দ সাৱন্ত...

*লামায় ১গী মখা...* সিব সেনাগী লুচিংবা অরবিন্দ সাৱন্ত য়ুনিয়ন কেবিনেটতগী রিজাইন তৌখিবনি। পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা সাৱন্তনা হায়খি, মীখল মমাঙদা বি জে পিনা শকখিবা ৱাশক ঙাকপা ঙমদ্রে। মরম অদুনা পার্টি অনী সেন্টরদা লৈঙাক পায়মিন্নদনবা ফিরেপ লৌরে।

লোক সভাগী মীখল মমাঙদা পার্টি অনীনা মহারাষ্ট্রদা লৈঙাক পায়মিন্নবা মতমদা চৎনগদবা কাংলোন কয়া শেমখিবা তারবসু বি জে পিনা ৱাফমশিং অদু ঙাকপা ঙমদ্রে। সিব সেনানা মশাগী ফিরেপ ঙাকপা ঙমজদবা বি জে পিগা মখা তানা লৈঙাক পায়মিন্নবগী মথৌ তাদ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা লোক সভাগী মীখলদা সাৱন্তনা মুম্বাই সাউথ পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মায় পাকখি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা লোক সভাগী মীখলদা মশক নাইবা লুচিংবা কয়ামরুম মায়থীখ্রবা মতুংদা সাৱন্তপু কেবিনেট মিনিষ্টর অমা ওইহনখিবনি। পোলিটিক্সতা খোঙদাদ্রিঙৈদা মহাক মহানগর টেলিফোন নিগম লিমিটেদ (এম টি এন এল)গী ইঞ্জিনিয়র ওইনা থবক তৌরম্মী।

## মণিপুরগী অপূনবা শক্তমগীদমক সী পি আইনা...

*লামায় ১গী মখা...* বৃটিশনা ইন্দিয়াগী নীং-খা তম্বা পীরম্বা মতমদা ওপসন কয়া পীরম্মী। মসিগী শাংলবা পুৱারী লৈরিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা হায়খি, ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা ওক্টোবর ৩১ দা ৱারোইশিন অমা পুরকপগী তাঙ্কক য়ৌখ্রে হায়না ফোঙদোক্লবসু মসিদা করি করি য়াওরিবগে হায়বা ৱাফম খঙহন্দে। লমদম অসি য়াম্না অরুবা ফীভম অমদা লাক্লি। ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্লসু এসেম্বলীগী মীফম কৌ হায়বদা তাদে। লৈবাক মৈ চাকপগী ফীভম লাক্লবা ফাওবদা অদুম্মক নাচুংদনা লৈরি। ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টতা য়াওরিবশিং খঙহন্দ্রিবা করিগীনো হায়বা ৱাফম লাক্লি। লমদম অসিদা নাগাশিংগী টেরিটোরিয়ল কাউন্সীল অমা শেল্লকপা য়াবগী মওং কয়া লৈরি। মসি চপ চানা থেংনহৌবা তাই। লুচিংবা ইরাবতনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তমগীদমক লেপখি। পূর্বাঞ্চল প্রদেশ শেম্নবা হোৎনরকপা মতমদা নেতা ইরাবতনা লেপ্পুনা থেংখিবনি। অসিগুম্বা কয়া অসি খঙমিন্নবা চঙই। মণিপুরদা হৌজিক তংদু-লৈতাদবা ফীভম লাক্লিবা অসিগী মতাংদা ঐখোয় খুদিংমক্না চপ চানা লেপহৌবা চঙই।

সী এ বিগী ৱাফম অসিসু তরাইনা লৌবা য়াদে। সেন্টরদা পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা সী এ বি চৎনহন্নবা কন্না হোৎনরি। ইন্দিয়াগা য়ুমথংননা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদগী হিন্দুশিং ইন্দিয়াদা চঙলক্তুনা সিটিজেন ওনবদা অয়াবা পীগদৌরিবা অসিগুম্বা বিল অসি পাস তৌরবদি মণিপুরগুম্বা অপীকপা ষ্টেটতা য়েলহৌমীশিং মুৎখিবা য়াবগী ফীভম লাক্লগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা সী পি আইগী নেসনল এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল মেম্বর ডা. এম নরা, দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী রিটয়ার্দ প্রিন্সিপাল জি তোম্বা, মণিপুর কৈথেল নুপী মরুপকী ৱাই ইবেনি, সী পি আইগী নেসনল এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল মেম্বর শখি অমদি সী পি আই (এম) মণিপুরগী সেক্রেটরি কে এস ঐচ শান্তসু শরুক য়াখি।

## নরান কোঞ্জিলদা হাৎখিবা রনবিরগী হকচাং পোষ্ট...

*লামায় ১গী মখা...* কোঞ্জিল পুখ্রি অচৌবগী মনাক্তা থোকখিবনি। থৌদোকসিদা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং লাইশ্রম রনবির এলিয়স ইশেন কৌই। ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা উচিৱা অৱাং লৈকাইদগীনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ৱাঙ্গৈই পুলিস ষ্টেসনদা মতম অদুগী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী সব-ইন্সপেক্টর ক্ষেত্রিময়ুম উত্তমকুমারনা পীরকখিবা রিপোর্টকী মতুং ইন্নদি থৌদোক থোকফম অদুৱাইদা ইরিলবুং ৱাটর সপ্লাইগী চৌকিদার সেরাম ইবোমচা অমসুং মচানুপা সনাতোম্বা এলিয়স য়াইফুবু ফারগা হাৎপদা চেন্নবা কে সী পি কেশো মৈতৈ ফেক্সনগী কাদরশিংনা প্রি-জুদিসল এক্টিভিটিশিং চথুগদৌরে হায়বা পাউ ফঙবদগী মফমদুদা চঙশিনখিবনি। অদুগা অচৎ-অওকশিং ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং তৌখিবনি হায়রি।

কম্মান্দো পার্টি অসিনা চেক তৌবা হৌগৎলকপদা গাড়ী মচাদা তোংদুনা লাকখিবা মীওই ২ লেপ্পবা হায়রুবদা লেপ্পগী মহুৎতা নোংমৈ কাপশিল্লম্লগা নাম্থোকখিনবা হোৎনরকপদগী খূৎ-হন্দুনা মিনিট ৫/৬ লোম খূৎ থোক্লবদা লাইশ্রম রনবির শিখিবনি। অতোপ্পা মীওই অমনা অমম্বগী খূদোংচাবা লৌরগা নাম্থোক্তুনা চেনখিবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

থৌদোকসিগী কমপ্লেন্ট অসিদগী ৱাঙ্গৈই পি এসনা এফ আই আর নম্বর- ১০৭ (১২) ২০১১ অন্দর সেক্সন- ৩০৭/৩৪ আই পি সী, ২৫ (১) (সী) আর্মস এক্ট অমসুং ১৬/২০ য়ু এ (পি) এক্ট রেজিষ্টর তৌদুনা কেস লৌখৎখিবনি। অদুম ওইনমক লৈখিদ্রবা রনবিরগী লোয়নবী শান্তিবালানা সী বি আইদা ফোঙদোকখিবদদি মপুরোইবনা থোকখিবদা মহাক্কী কন্ট্রেক্ট ৱর্ককী লেবররশিংদা পীননবা লুপা লাখ ২ অমসুং তোঙানবা লুপা ১০,০০০ গা পুরগা থোকখিবনি হায়রি।

ঙসি রিমসকী দোক্টর অসিনা কোর্টতা পীখিবা ষ্টেটমেন্টশিংদা হৌজিক ফাওবদা মহাক্না রিমসকী মোর্চ্যুরিদা অশিবা হকচাং ১৫০০ রোম পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌখ্রে হায়বগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা রনবিরগী হকচাং পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌবদা থেংনবা পুম্নমক ফোঙদোকখি। মসিদা নৎতনা লৈখিদ্রবগী হকচাং অদু কনানা পুরকখিবনো হায়বা য়াওনা লৈখিদ্রবনা শেৎলম-চারম্বা নোংমৈ মখুলশিং লৈবা ফিরোলগী মতাংদসু কোর্টতা পাউদমখি। লোয়ননা পাঙথোকখ্রিবা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন অদুগা মরী লৈনবা কেস অসিগী এগজিবিটশিং ওইরবা দোক্যুমেন্টশিংসু কোর্টতা মশক তাকখি।

পনবা য়াবদি, থৌদোক অসিগী মতাংদা সী বি আইনা লৌখৎখিবা কেসকী এফ আই আর নম্বরনা ১৬(এস)/ ২০১৭/ এস সী-থ্রী/ন্যু দিল্লি, আর সী/ দি এস টি/ ২০১৮/০১৬/ সী বি আই/ এস আই টি/ ন্যু দিল্লিনি। অদুগা কেস অসিগা মরী লৈননা সী বি আইনা ফ্রেম তৌরকপা চার্জশীটতা এক্যুজ ওইনা মরাল শীরক্লিবা কম্মান্দো পর্সনেলশিংনা এস আই, কে এস ঐচ উত্তমকুমার য়াওনা মরিনি।

## মহৈরোয়শিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্ত্রিঙৈদা...

*লামায় ১গী মখা...* অদুবু মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী টেরিটোরি কায়বা য়াবা ৱাফম ৱারোইশিন অদুদা য়াওরক্লবদি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক্না কৈদৌনুংদা তুমিন্না খক লৈথোক্লোই। মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা উনরুবদা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়হল্লোই হায়বগী থাজবা পীরকই হায়রবসু অইবা ওইনা পীরক্তবনিনা ৱাফম অসি কদাই ফাওবা মীয়াম্না থাজবা ঙমগদৌরিবনো হায়বা ষ্টেট লৈঙাক্না খনফম থোকই। মরম অদুনা মণিপুরগী এম এল এ ৬০ মক্না দিল্লিদা চৎতুনা তকশিনবিয়ু। চহী চা কয়া মণিপুরদা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংনা নুংশি-চান্নবা হিংমিন্নদুনা লাকখিবা অসিবু কায়হন্নবা শিল্লক্লবদি মহৈরোয়শিংনা মৈহৌ লাংপোক থোকপা য়াবা মখল-মখা কয়াগী অকনবা খোঙজংশিং শোয়দনা চঙশিল্লক্কনি। লমদম অসিদা অহেনবা পেরা মিলিটরি ফোর্স থাজিল্লক্লিবা থৌওং অসিনা মীয়াম্বু তংদু লৈতানা লৈহনবা ঙমদ্রি। সেন্টরনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়রোই হায়না শুপ্পগী চীন্দা খক হায়রকপা অদুদা ষ্টেট লৈঙাক্না থাজদুনা লৈবনদি তুংদা অশোয়বা কয়া শোয়দনা লাক্কনি। চহী কয়াদগী মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম করিগুম্বা মরম অমা নত্রগা অমনা ৱাদুনতা লাক্লবনি। ৱাদুনতা লাক্লবা মীয়ামদা অমুক হন্না অৱাবা চৈথেং পীবিরনু। অথুবা মতমদা ষ্টেট লৈঙাক্না এসেমব্লি সেসন অমা কৌবিদুনা লৈবাক মীয়ামগী ঈহুল খঙনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা অচেৎপা ফীরেপ লৌদুনা ইন্দিয়া গভণমেন্টতা খঙহনবিয়ু। হৌজিক মহৈরোয়শিংগী ইলেক্সন লোয়রে, কোকোমিগী লমজিং মখাদা মহৈরোয় লুপশিংনা অকনবা এজিটেসন কয়া চঙশিল্লগনি হায়নসু ধনকুমার নিংথৌজানা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

পাউচে অসিগা অখন্নবা উনবদা মুসুগী প্রসিদেন্ট কৈশাম লেবানন্না হায়খি, ঈং-তপ্পা লৈবা পাম্বা মণিপুরীশিংবু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লান্না উরিবসি কনাগী অশোয়বনো? লমদম অসিদা মীয়াম্না হৌখিবা ঈহৌ কয়া মরম চাদনা হৌখিবা য়াওব্রা হায়বসি লৈঙাক্না খন্থফম থোকই। মণিপুর লৈঙাক্লসু তানফম অসিদা হোৎনদবদি নত্তে। অদুবু ৱারোইশিন পুরক্লবগী মতাংদা য়াশিন্নখিবা থাখায় ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা লৈঙাক্কী ওইবা ফীরেপ অমা লৈতবা অসি মণিপুরী পুম্নমক্না পেন্দে। লমদম অসিগী মীয়াম্না লৈবাক্কী অচৌবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়না থাজবা অমগা লোয়ননা ভোট পীদুনা লৈঙাক পায়হনখিবনি হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্কী মীহুৎশংনা কাউবিরোইদবনি। তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ কয়া পূন্না খুদামিন্নরিবা লমদম অমা ওইরিবনিনা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন- আই এমগী মরক্তা য়ানখিবা ৱাফমশিং অদুদা করিগুম্বা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়বা য়াবা ৱাফম য়াওরম্লবদি মণিপুরদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা অচৌবা ৱাথোক থোক্লকপা হায়বসিদি শোয়দ্রবনি। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্না অথুবা মতমদা কোকোমিনা দিমান্দ তৌখিবা এসেমব্লি সেসন অমা কৌদুনা লৈবাক্কী ওইবা থাজবা য়াবা থবক ওইনা পাঙথোরক্কদবা ফীরেপ লেপ্পীয়ু হায়খিবগী মতুংইন্না লৈঙাক্না এসেমব্লি সেসন অদু পাঙথোকপিয়ু। হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মহৈরোয় অমা ওইরগসু লৈবাক্কী ওইবা ঈহৌ অমদি হৌরক্লিবা তুংগী মহৈরোয়শিংগী পুন্সিদা চাউনা কায়রক্কদবা ৱাফম অমা ওইবনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বসি মহৈরোয় ঐখোয় পুম্নমক্কী অপাম্বনি। মরম অদুনা মণিপুরীশিংগী তুংগী ওইরক্কদবা ফীভমশিং খঙবিদুনা লৈঙাক্না ঐখোয় লৈরি হায়বগী থৌনা অদু উৎপিদুনা মীয়াম্না মীপাইনরিবা, ৱানরিবা অসি কোকহনবিয়ু হায়না কৈশাম লেবানন্না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# চহী অসিদা নোংজু-নুংশাগী ফিভমদা অহোংবা কয়া লাকপনা লমদমসিগী...

*লামায় ১গী মখা...* ঈশিং হোন্ননবা অমদি লৈননবা হোৎনবদা লৌ মরাক অমদা লুপা ১০০০ দগী ২০০০ ফাওবগী চাংদা চঙনখি। লৌ পানবা হৌবদগী লোকপা ফাওবদা লৌ মরাক অমদা লুপা ৩৫,০০০ দগী ৪০,০০০ রোমগী চাংদা চঙনখি। ঈশিং চিংদুনা লৌ উনরবা মতুংদা পাল্লক্লবসু মখা তানা ঈশিং লৈতবদগী তোকখিবা কয়াসু য়াওনরি। মসিনা লৌমী অমনা য়ামদ্রবদা লুপা ৫,০০০দগী ১০,০০০ ফাওবগী চাংদা অরেম্বদা মাঙনখি।

ককচীংগী লৌকোলশিংগী ওইনদি হন্দক্কী কুম অসি অয়াম্বা লৌফমশিং হায়বদি চাদা ৯৫ দগী ৯৮ ফাওবগী লৌফমশিং ককচীং ঈথৈ, সেংমাই তুরেল অমদি সেংমাই ভিলেজগী মতেংগা লোয়ননা লৌ উনখি হায়বা য়াই। লৌফম খরদদি সেংমাই তুরেলদগী, লৌখোং অমদি পুখ্রিনচিংবা কয়াদগী ৱাটর পম্প শীজিন্নদুনা ঈশিং চিংলগা লৌ পান্ননবা হোৎনখিবা কয়াসু য়াওনখি।

হন্দক মরক নোং চুরক্লিঙৈ চৈরক অসিদা মণিপুরগী মফম কয়াদা লৌ লোক্লবগীদমক খাওদোক্তুনা থম্লবা কয়া অমা শোয়দনা য়াওরমগনি। নোং অসিনা মখা তানা নুমীৎ হুম্নি মরিনি চুদুনা লৈরবদি খাওদোক্তুনা লৈরিবা ফৌশিং, চাদোন ঈশিংদা লুপখ্রবশিং য়ৈবা য়াররোই। লৌ য়ৈবা য়াদদুনা নুমীৎ ৭/৮নি লৈরগদি নুংশা শারকপা মতমদা ফৌশিং মতোন থোকপসু য়াওনরক্লগনি। য়ৈবদসু য়াম্না নুংঙাইররোই। মদুনা মরম ওইরগা লৌমীশিংনা পুথোক্কদবা চাথোক্কী চাং চাদা ৩০দগী ৫০ ফাওবদি শোয়দনা হন্থরগনি। ককচীং এরিয়াগী ওইনদি লৌকোল খরদা খাওদোক্তুনা লৈরবা ফৌ চাদোন লুপখিবা মফম খরদা য়াওরে। কনাগুম্বা মশাগী শেল নীংথিনা পুথোকপা ঙমজদবশিংনা মীঙোন্দগী ফৌদম শেল লৌদুনা হোৎনজরিবা কয়া অসি অরেম্বদা তাবগা লোয়ননা লূ কোকপদা লেন তাবগা পাঙ্খক ওইগদৌরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।

ককচীং ৱাইরিদগী সনাতোম্বা কৌবা লৌমী অমনা হায়খি, মণিপুরগী লৌফম অয়াম্বা ঈথৈ-লৌখোং মতীক চানা লৈবা অমত্তা য়াওদবগুম তৌরি। মণিপুর লৈঙাক্লসু ঈথৈ-লৌখোং নীংথিনা শেমগৎপগী মমি তাদ্রি। লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৌমীশিংগী শেন্থোক শরুক অনী হেনগৎহনগনি হায়না থৌরাং থৌশিল কয়া পায়খৎলবসু লমদমসিগী লৌমীশিংগী ওইনদি মদুগী কান্নবা ফংবা উদ্রি। লৌমীশিংগী একাউন্টতা চহী ১দা লুপা লিশিং ৬/৬ হাপকনি হায়খ্রবসু লৌমী খরখক্তগী ওইনা হাপ্পা নৎতনা এপ্লাই তৌখিবা লৌমী অয়াম্বদি ফংনদ্রি। চহী ১গী খরা শূরগা ফংলকপা শেনফম খরা অদুনা ইমুং-মনুং পুনবা অমদি হিংনবা হোৎনরিবা লৌফম কয়াদি ঈচাউ থোকপা নৎত্রগা ঈকং থোক্তুনা লৌ পাল্লগা মাঙখিবা, মহৈ-মরোং থারগা মাঙখিবা, লৌ পানবা য়াদবগী অৱাবা চৈথেং কয়া থেংনরি। মহৌশাগী নোংজু-নুংশা কনানসু শেমদোক-শেমজিন তৌববুদি য়াবা নত্তে। খারিফ নৎত্রগা রবি লৌরোক অমদা ঈচাউনা নৎত্রগা ঈকংনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবসু লৌরোক অমদা মহৈ লোকপা য়ানবা লৈঙাক্না মতম-মতমগী ওইনা মফম-মফমগী চানগদবা মরূ-মরাং পীবীদুনা লৌমীশিংবু হিংজনবা হোৎনবীবা মথৌ তাই খল্লি। লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোইশঙনা মতেং পীখ্রে, মরূ-মরাং য়েন্থোকখ্রে হায়রগা তশেং-তশেংবা লৌমীশিংদা ইয়ৌ য়ৌদবগী চৎনবী অসি তোকপীরো। লৌমী অশেংবদা হকথেংননা য়ৌহন্ননবা হোৎনহন্নীংই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।

# পি এমগী ৱাফম ঙাক্লক্ত্রবদি মণিপুর অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা অকায়বা...

*লামায় ১গী মখা...* জিরিবাম এ সীগী এম এল এ অসবউদ্দিনগী য়ূমদসু জিরিবামদা খুন্দারিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না থোমজিল্লকখি। মদুদসু এম এল এ মশামক্না মীয়াম মাংদা ৱা ঙাঙলদুনা মণিপুর কায়হন্ননবা হোৎনরক্লবদি চপ চানা থেংনবদা মাংজিল থানা শরুক য়াগনি হায়নসু মীয়ামদা থাজবা পীখি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থিনুঙ্গৈ কৈথেলদসু কোকোমিগী মীৎয়েং মখাদা থিনুঙ্গৈ অপূনবা নুপী লূপ, মফম অদুগী ইমা-ইবেলশিং, মহৈরোয়শিং অমদি বিষ্ণুপুর ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা চেকশিন মীফম ফমখি। লোয়ননা টিদ্দিম লম্বীদা থোরক্তুনা হ্যুমেন চেন শেল্লগা নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

খোঙজং অদুদা ৱাঙাঙলোয় ওইনা শরুক য়াখিবা কোকোমিগী কনভিনর সুনিল করামনা হায়খি, নাগা পিছ টোক্কা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টরনা থল্লকখিবা ৱাফমশিং ঙাক্লক্ত্রবদি মণিপুর অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা অকায়বা কয়া লাকপা য়াই। পিছ টোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপদা য়াওগদৌরিবা ৱাফমশিং অদু পব্লিক দোমেনদা পুথোক্তুনা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা তানদুনা মণিপুর কায়হনবা য়াবা ৱাফম য়াওরম্লগদি লৌথোকহৌসি। হাপচিনবা য়াবা ৱাফম য়াওরগনা হাপচিনহৌসি। মদু নৎতদুনা নম্ফুদা ৱারোইশিন পুরক্তুনা অকায়বা পীরক্লবদি মণিপুরী ফুরুপ্পা কৈদৌনুংদা তুমিন্না লৈরোই। ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু মণিপুরী ফুরুপ অসি শিবা কিদবা ফুরুপনি হায়বসি খঙজিনবা ফৈ। মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরক্লবদি মদুদা থোক্লকপা খূদিংমক বি জে পি লৈঙাক্না থৌদাং পুগদবনি। মণিপুর লৈঙাক্লসু মীয়ামগী ঈহুল খঙনা থৌনা লৈনা লেপহন্নীংই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

খুরাই লম্লোং কৈথেলদসু তোঙান-তোঙানবা ক্লব ২৫গী অপূনবা য়ুনিয়ন ওফ সোসল অপলিফমেন্ট, মৈরা পায়বী লূপশিং, খুরাই লম্লোংদা দুকান ফল্লিবশিং অমদি মায়কৈ অদোমদা লৈবা মহৈশঙশিংগী মহৈরোয় কয়ানা পূন্না খূৎশম্নদুনা শিল্লগা লম্লোং কৈথেলদা চেকশিন মীফম ফমখি।

চেকশিন মীফম অদুদা ৱাঙাঙলোয় অমা ওইনা শরুক য়াখিবা কোকোমিগী এসিষ্টেন্ট কো-ওর্দিনেটর জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনা হায়খি, নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়দ্রবসু মণিপুর মনুংদা তোঙানবা লৈঙাক্লোন অমা থম্বা য়ারোই। এন এস সী এন-আই এম অমসুং ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টকী ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টতা করি য়াওরিবগে হায়বদু পুথোকপীরকউ হায়বনি। করি-করি য়াওরি হায়বা ৱাফম অদু পুথোরক্লবা মতুংদা ষ্টেকহোল্ডরশিংগী ৱাফমসু থমগদৌরিবনি। চম্মবা ফীভম অমদা থল্লগা ষ্টেকহোল্ডরশিং তানগনি হায়রিবা ৱাফম অসিনদি ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুর শোক্লক্লোই হায়বগী থাজনিংঙাই লৈতে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ওল অন্দ্রো মৈরা পায়বী এসোসিএসন অমদি ইষ্টর্ন সেদ্যুল্ড কাষ্টনসু অন্দ্রো কৈথেলদা চেকশিন মীফম ফমখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনসু খোল্লাউ কয়া লাউখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা কোকোমিগী এসিষ্টেন্ট কোওর্দিনেটর নন্দো লুৱাংনা হায়খি, ইন্দিয়া লৈঙাক্না চথরক্লিবা থৌওং অসি মণিপুরগী মীয়াম্বু হঞ্জিন-হঞ্জিন লাক্লবনি। ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন-আই এমগী পিছ টোকনা মরক-মরক্তা অমদি ৱাখৈনবগী মতম য়ৌরকপদা মণিপুরগী ঙমখৈদা নৎত্রগা য়েলহৌঙৈদগী পূন্না খুদামিন্নরক্লবা ফুরুপচাশিংগী মরক্তা চাউনা অকায়বা থোকহল্লক্কনি হায়না মীয়াম্নসু হায়নদুনা লাকখিবনি। থৌওং অসিমক ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা অদুম্মক চথুদুনা লাক্লি। হৌজিক-হৌজিকসু ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা মণিপুর মীয়ামগী ৱাখল খম থেংনা ৱাহল্লি। মরম অদুনা মণিপুর মীয়াম্না অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা য়াম্না হৈ-শিংনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাকমিন্নরসি। মণিপুর লৈঙাক্লসু অঙম্বা পাঙ্গল লৌশিং পুথোক্তুনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম ঙাক্লনবা হোৎনহন্নীংই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

সগোলবন্দ মোইরাং লৈরক মচীন্দা লৈবা খমলাংবা কম্যুনিটি হোলদা এম এল এ, আর কে ইমো য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী মীওই কয়না চেকশিন মীফম ফমখি। চেকশিন মীফম অদুগা মরী লৈননা এম এল এ, আর কে ইমোনা হায়খি, পিছ টোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপদা করি-করি ৱাফম য়াওগদগে হায়বা ঙসি ফাওবা খঙহন্দবনা ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়হল্লোই, মণিপুর শোকহল্লোই হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা থাজবা পীরক্লে হায়রিবসি থাজনিংঙাই ওইদ্রি। সেন্টরগী লুচিংবশিংনা মণিপুর মীয়ামদা চপ চাবা এস্যুরেন্স অমা পীদবনা মীপাইবদি অদুম্মক লৈরি। ফীভম অসিদা পোলিটিকেল পার্টিগী খেন্নবা থমদনা অমত্তা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর উনদুনা তকশিনবা মথৌ তারি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অন্দ্রো পার্কিংদসু রোয়েল একাদেমি ওফ সাইন্সেসকী মহৈরোয়শিংনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়বা য়ারোই, লোং লিভ মণিপুর, কাংলুপ নাইবা থৌশিল য়ানিংদে হায়বা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি।

অমরোমদা কংলা শঙ্গোমশঙদা লৈবা লৈশেম্বা মহৈকোলগী মহৈরোয়শিংনা ঙসি লম্বীদা থোরক্তুনা চেকশিন মীফম ফম্বগা লোয়ননা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়বা য়ারোই, চীংমী-তম্মী অমত্তনি, লোং লিভ মণিপুর হায়বা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি। খা নাওরেম লৈকায়দা লৈবা টেম্পল ওফ লর্নিং স্কুলগী মহৈরোয়শিংনসু হায়ৱে নম্বর ১০২দা ঙসি লম্বীদা থোরক্তুনা হ্যুমেন চেন শেল্লগা খোল্লাউ কয়া লাউখি। মরু ওইনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়বা য়ারোই, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই এম) অনিগী পিছ টোকনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়না লাউখি।

ককচীং লমখাই বজার, বিজিনেস ৱেলফেয়র বোর্দ অমসুং জোইন্ট নন-গভর্ণমেন্ট ভলন্টিয়র ওর্গনাইজেসন (জে এন জি ভি ও) ককচীংনা পূন্না খূৎশম্নদুনা শিল্লগা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়দুনা ককচীং লমখাইদা মীয়াম্না চেকশিন মীফম ফমখ্রে। চেকশিন মীফম চথরিঙৈ মনুংদা ককচীং লমখাই কৈথেলগী অকোয়বদা লৈরিবা দুকানশিং থোঙ লোন্নখি। মীফম অদু লোইশিল্লকপদা নেসনল হায়ৱে-১৩৭ এদা মীয়াম থোক্লক্তুনা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই, চীংমী-তম্মী অমত্তনি, লোং লিভ মণিপুর হায়বা খোল্লাউশিংসু লাউখি।

রুদ্রা একাদেমি থৌবালগী মহৈরোয়শিং, ষ্টাফশিংনসু থৌবাল ৱাংমা তাবা মথক্তা লৈবা স্কুল অসিগী কেম্পসতগী হৌরদুনা নেসনল হায়ৱেদা থোক্লক্লগা থৌবাল থোংখোঙ ফাওবা চেকশিন খোঙচৎ চৎখি। তুংদা নেসনল হায়ৱেগী লম্বী তঙ্খায় থৎচিন্দুনা হ্যুমেন চেন শেল্লগা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই, লোং লিভ মণিপুর, চীংমী-তম্মী অমত্তনি হায়বা খোল্লাউশিং লাউখি।

মোইরাং সব-দিভিজনগী মনুংদা ইন্টর ভিলেজ সর্ভিস তৌরিবা ওনর অমদি দ্রাইভর এসোসিএসন ১৪না পূনশিল্লগা দিজল ওটো অমসুং আইরিশ ৫০০ রোম্না শরুক য়াদুনা মোইরাং চীংঙৈ লম্পাক্তগী হৌরগা চেকশিন রেল্লি চৎখি। মোইরাং অমদি অকোয়বদা থক্লবা ঈশিং সপ্লাই তৌবা ৱাটর টেঙ্কর ১৫০ রোম্নসু মোইরাংগী অকোয়বা অমদি বিষ্ণুপুর ফাওবা চেকশিন রেল্লি চৎখি।

